# তাইৱানবু কিহন্দনবা য়ু এসনা চাইনাদা তকশিনখ্রে



তাইপৈ, জন্যুৱারি ১০ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চাইনাদা তাইৱানবু কিহনবা লেপ্পবা অমসুং নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবশিং ঈংনা চিক্না লৈখাই তাথোক্ল নবা তাইৱান গভর্ণমেন্টগা দাইলোগ মখা চথনবা তকশিনখ্রে। ৱাফম অসি তাইপৈদা লৈবা দে ফেক্তো অমেরিকান এম্বেসিগী স্পোক্সপার্সন অমনা ফোঙদোকখিবনি।

এম্বেসি অদুগী স্পোক্সপার্সন অমান দা মনসুরনা ৱাফম অসি হৌখিবা চয়োলদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা স্পিচ অমা পীখিবা মতুং য়ু এসকী সিনেটর অমসুং লোমেকর কয়ানা তাইৱানবু শৌগৎখিবা মতুংদা ফোঙদোরকখিবনি। মহাক্কী স্পিচ অদুদা ঈথৎ অদুগা অমুক হন্না পুনশিন্নবা য়ানবা তৌবদা মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নরোই হায়বা লৈতে হায়না প্রসিদেন্টসীনা হায়খিবনি।

ক্রোস ষ্ট্রেটতা ঈং-চিকপা অমদি মরা চেৎপা ফীভম লৈহনবা হায়বসি য়ু এসকী অপাম্বনি। ক্রোস-ষ্ট্রেটকী খেন্নবশিং ঈংনা চিক্না অমসুং নাকল অনীমক্কী মীয়ামগী অচেৎপা অপাম্বদা য়ুম্ফম ওইরগা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়না মনসুরনা সীগী স্পিচ অদুগা মরী লৈননা হায়খি।

তাইৱানগী অমেরিকান ইনষ্টিট্যুটনা দে ফেক্তো য়ু এস এম্বেসি ওইবগা লোয়ননা ৱাশিংতননা বৈজিংগা দিপ্লোমেটিক মরি লিংনবগীদমক তাইপৈগা মরী তৎনখিবা চহী কুমজা ১৯৭৯ দগী ঈথৎ অদুদা ৱাশিংতনগী মহুৎ শিল্লক্লি।

হৌখিবা চহী অনীরোম অসিদা য়ু এসনা তাইৱানবু শৌগৎপা লো কয়ামকুম এপ্রুভ তৌখি। মদু লৈবাক অনীগী ওফিসলশিংগী মরক্তা এক্সচেঞ্জ হেনগৎহন্নবা, মিলিটরি কনে টক্ট হেনগৎনবা অমসুং ঈথৎ অদুদা খুৎলায় য়োনবসু য়াংশিন্নবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা পুৱারীদা অহানবা ওইনা তাইৱানগী দিপ্লোমেটিক মীচঙ কয়ানা ঈথৎ অদুগা মরী তৎননবা ৱারেপ লৌনখিবদা য়ু এসনা মদুগী মায়োক্তা লৈখি অমসুং মখোয়গী মথক্তা লমন খুঙ্গী খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না কিহনখি। তাইৱানগী মাইকৈদগীনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা হৌদোকখিবা ইন্দো-পেসিফিকতা অয়েৎ অপন লৈহন্দবগী পোলিসী শৌগৎকনি হায়না থাজবা পীখি। পোলিসী অদুগী পান্দমদি এরিয়া অদুদা চাইনানা ঈথিল পীবা হেনগৎলক্লিবদুগী মায়োক্তা ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎপনি।

# পাইলোট ১৬, কেবিন ক্রু ৬৫ গী দিগ্রীশিং অশাবশিং ওইরম্লে

ইস্লামবাদ, জন্যুৱারি ১০ (এজেন্সি): শেমজিন-শাজিনবা এদ্যুকেসনল ক্বালিফিকেসনশিং পায়রম্বা পাইলোট ১৬ অমসুং কেবিন ক্রু ৬৫ গী লাইসেন্সশিং চৎনহনখিদ্রে হায়না পাকিস্তানগী সিভিল এভিয়েসন রেগ্যুলেটরনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে। পাইলোট অমসুং কেবিন ক্রু মেম্বরশিং অদু লৈবাক অদুদা ওপরেট তৌরিবা তোঙান তোঙানবা এয়রলাইনশিংগীনি।

ৱাফম অসি তোঙান তোঙানবা এয়রলাইনশিংগী পাইলোট অমসুং অতৈ ষ্টাফকী দিগ্রীশিং ভেরিফিকেসন তৌবগা মরী লৈনবা কেস অমগী হিয়ারিংদা সী এ এনা সুপ্রীম কোর্টতা ফোঙদোকখিবনি।

চীফ জষ্টিস সকিব নিসরনা লুচিংবা মেম্বর অহুমগী বেঞ্চ অদুদা সী এ এগী কাউন্সেলনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক মপান্দা লৈরিবা ওফিসল তরুকখক নত্তনা রেগ্যুলেটর অদুনা এয়রলাইন ষ্টাফ পুম্নমক্কী দিগ্রীশিংগী ভেরিফিকেসন প্রোসেস লোইশিল্লে। ভেরিফিকেসন প্রোসেস অদুদা পাইলোট ১৬ অমসুং কেবিন ক্রু ৬৫ গী দিগ্রীশিং শেমজিন-শাজিনবশিং ওইরমখি। ষ্টাফ মেম্বরশিং অসিগী লাইসেন্সশিং চৎনহনখিদ্রে হায়না দোন পাউচেনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

হিয়ারিং মনুংদা চীফ জষ্টিসনা হায়খি, কোর্টকী ওর্দরশিংনা মরম ওইদুনা হিরম অসিগী মতাংদা ওথোরিটিশিংনা হাথু হাথু থবক তৌবগী মওং অমা উবা ফংলে। ঐখোয়না মীওই অমত্তগী হিংনবগী লম্বী থিংজিনবা পামদে। এয়রলাইন ষ্টাফ সস্পেন্দ তৌহনখিবা রেকোর্ড অদু অচুম্বা ওইগদবনি হায়না চীফ জষ্টিসনা ফোঙদোকখি। কেস অদু হৌখিবা ২০১৮ গী মেদা পায়খৎখিবনি। হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা পাঙথোকখিবা কেস অদুগী হিয়ারিংদা সী এ এনা তোপ কোর্ট অদুদা পাকিস্তানগী নেসনল কেরিয়র পাকিস্তান ইন্টরনেসনল এয়রলাইন্স (পি আই এ) গী পাইলোট তরেৎকী একাদেমীক ক্বালিফিকেসনশিং অশাবা ঙাক্তা ওইরম্লে হায়না ফোঙদোকখি। মখোয়গী মনুংদগী মঙাদি মেত্রিক্যুলেসন ফাওবা পাস তৌরমদ্রে হায়না রেগ্যুলেটর অদুনা কোর্টতা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মমাঙগী ইজরেলি মিনিষ্টর ১ না অরোনবা পাউ লৌখি হায়বা য়াজখ্রে

জেরুসালেম, জন্যুৱারি ১০ (এজেন্সি): চহী ১১ জেলদা লৈবগী চৈরাক্কা মহুৎ শিন্নবগী প্লি দিল অমদা ইজরেলগী হান্নগী কেবিনেট মিনিষ্টর অমনা মহাক ইরানগীদমক্তা অরোন-অথুপকী পাউ খোমখি হায়বা ৱাফম য়ুমশকৈশা নুমীৎতা য়াজখ্রে হায়না ইজরেলি জষ্টিস মিনিষ্ট্রিনা হায়রি।

কুমজা ১৯৯৫ দগী ১৯৯৬ ফাওবা ইনর্জি মিনিষ্টর ওইখিবা গোনেল সেগেভ হৌখিবা জুনদা হৌনবী মতুংইন্না মরাল শিখি। শিন বেট ইন্টর্নেল সিক্যুরিটি সার্ভিসনা মতমদুদা ফোঙদোকখিবদা মহাক নাইজিরিয়াদা লৈরিঙৈদা ইরানিয়ন ইন্টলিজেন্সনা রিক্রুট তৌখিবনি অমসুং মহাক এজেন্ট অমা ওইনা থবক তৌখি। কুমজা ২০১২ দা সেগেভনা নাইজিরিয়াদা লৈবা ইরানগী এম্বেসিদা ওফিসলশিংগা উনখি অমসুং মহাক্না ইরানদা অনীরক চৎলুনা শিন-লাংলিবশিংগা উনখি হায়বসি ইনভেষ্টিগেসনশিংদগী খঙলকখি হায়না শিন বেটনা ফোঙদোকখি।

শিন বেটনা মখা তানা হায়খি মদুদি, সেগেভনা ইরানিয়ন এজেন্টশিংদগী এনক্রিপটেদ কম্যুনিকেসন্স সিষ্টেম অমা ফংখি অমসুং মহাক্না ইরানদা ইজরেলগী ইনর্জি সেক্তর, সিক্যুরিটি সাইটশিং অমসুং পোলিটিকেল অমদি সিক্যুরিটি ইনষ্টিট্যুসনশিংগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন সপ্লাই তৌখি।

ইজরেলনা গজা ষ্ট্রিপ অমসুং লেবাননদা ওপরেট তৌরিবা ইস্লামিক গুরিলাশিং শৌগৎলিবা ইরানগা মতম শাংনা সেদো (প্রোক্সি) লান অমা শোক্ল দুনা লাকখি। ইরাননা ইজরেলবু ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম মায় পাক্তনবগী থবকশিং পাঙথোকই অমসু প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈনবা সাইন্টিষ্টশিং হাৎপদা চৈন্নে হায়না মরাল শিখি। সেগেভকী জেলগী চৈরাক অদু কোর্টনা হৌনবী মতুংইন্না এপ্রুভ তৌগদবা লৈরি। মহাক এক্সতাসি দিল ময়াম অমা নারোন্দগী ইজরেলদা পুশিন্নবা হোৎনখিবগীদমক্তা কুমজা ২০০৪ দা জেলদা থমখিবা মতুং কুমজা ২০০৭ তা জেলদগী থাদোকখিবদগী লৈবাক্তু থাদোক্লনা চৎখিবনি। মহাক হৌখিবা মেদা ইক্বাটোরিএল গিনিদা খোঙচৎ অমা চৎপদা ফারগা ইজরেলদা ৱায়েল মায়োক্লহন্নবা থারকখিবনি।

# পাকিস্তান অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা দোল্লর বিলিয়ন ১০ গী এম ও য়ুশিং সাইন তৌনখ্রে



ইস্লামিক, জন্যুৱারি ১০ (এজেন্সি): পাকিস্তান অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা থা অসিদা দোল্লর বিলিয়ন ১০ হেনবগী মেমোরেন্দা ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) সাইন তৌনরবা য়াই হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রিসাইদ তৌদুনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ইজ ওফ দুইং বিজিনেস (ঈ ও দি বি) কা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা অনীশুবা মীফমদা লাউথোকখিবনি। মীফম অদু লোইরবা মতুংদা দোন ন্যুজদা ৱা ঙাঙলদুনা ফাইনান্স মিনিষ্টর অসাদ উমারনা হায়খি, সাউদি প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমান বিন অব্দুল অজিজনা মথং থাদা পাকিস্তানদা চৎলগনি অমসুং এম ও য়ু অয়াম্বা খোঙচৎ অদুদা সাইন তৌনরবা য়াই।

বোর্দ ওফ ইনভেষ্টমেন্ট (বি ও আই) গী চ্যেরমেন হরুন শারিফনা হায়খিবদা, সাউদি অরাবিয়ানা পাকিস্তানগী সেক্তর মরি- ওইল রিফাইনরি, পেট্রোকেমিকেলস, রিন্যুএবল ইনর্জি অমসুং মাইনিংদা মিৎয়েং চঙবা পাম্মী। সর্ভে অমগী মতুংইন্না, ইনভেষ্টমেন্ট অপুঙ্গী চাদা ৬৫ লৈবাক অদুগী কম্মর্সিএল হব করাচিদা অমসুং চাদা ৩৫ না লাহোরদা তৌগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

দোল্লর বিলিয়ন ১০ গী ইনভেষ্টমেন্ট অদু হৌখিবা ২০১৮ গী ওক্টোবরদা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা সাউদি অরাবিয়াদা চৎখিবা খোঙচৎতা রিয়াধনা পীখিবা দোল্লর বিলিয়ন ৬ কী অৱাবা কোকহন্নবগী পেকেজ অদুগী মথক্তনি। সাউদি অরাবিয়াগা মান্নবা মওংদা পাকিস্তান্না মথংগী থা অনীসিগী মনুংদা চাইনা, য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটস (য়ু এ ঈ) অমসুং মলেসিয়াগসু সাইন তৌনগনি।

হরুন শারিফনা দোনদা হায়খি মদুদি, হন্দক্তা মহাক্না চাইনাদা চৎখি অমসুং চাইনা-পাকিস্তান ইকনমিক কোরিদোর (সী ঈ পি সী) গী মখাদা ইন্দষ্ট্রিএল কোওপরেসনগা মরী লৈননা এম ও য়ু কয়া সাইন তৌনখি।

বি ও আইগী চীফনা মখা তারদুনা হায়খি, এগ্রিকলচর, হাউসিং অমসুং অতৈ সেক্তরশিংদসু য়ু এ ঈনা ইন্টরেষ্ট লৌরি। মালেসিয়াগী ফার্মশিংগসু থা অসিদা এম ও য়ুশিং সাইন তৌনগনি। মখোয়না সেক্তর মরি হায়বদি হলাল মিট, মমল য়াম্বা নুঙ, ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি অমসুং হাইটেক এদ্যুকেসন্দা ইনভেষ্ট তৌগনি।

# গভর্ণমেন্ট সটদাউনগী মতাংদা দেমোক্রেটশিংগা ৱারী শানবদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প ফমফমদগী হৌগৎখ্রে



ৱাশিংতন, জন্যুৱারি ১০ (এজেন্সি): গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্ট খরা মথৌ তৌহন্দনা লৈরকপা লোইশিন্নবগী পান দমদা য়ু এস কোংগ্রেসকী দেমোক্রেট মেম্বরশিংগা মীফম পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প মীফমদুদগী হৌগৎতুনা মপান থোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না মীফম অদু কান্নদবদা মতম মাঙহনবা খন্ন-নৈনবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

গভর্ণমেন্ট সটদাউন অদুগী ১৯ নি চনবা নুমীৎতসু দেমোক্রেটিক লিদরশিংগা ৱারী শানবদা পন্দুনা লৈরিবা মরুওইবা ৱাফমগী মতাংদা লৈখাই তানবা ঙমদবগী ফীভমদা পেন্দ্রবা ত্রম্পনা মীফম অদুদগী হৌগৎখিবনি।

হাউস মাইনোরিটি লিদর কে সুমর অমসুং হাউস স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা মহাক্কী য়ু এস- মেক্সিকো বোর্দর ৱাল ফন্দিং তৌ হায়বা য়ামন্দবগী ফীভমদা পেন্দ্রদুনা ত্রম্পনা মীফম অদু করিমত্তা কান্নদবা মতম মাঙনবা থবকনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ফেদরেল ৱার্কর ৮০০,০০০ গীদমক্তদি গভর্ণমেন্ট সটদাউন হৌখিবদগী অহানবা পেদে ইরাই নুমীৎতা তারি। তৌইগুম্বসুং ৱার্করশিং অদু মখোয়গী ফংফম থোকপশিং ফংলরোই। ত্রম্পনা মীখলগী কেম্পেন মনুংদা শকখিবা ৱাশক অমা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরদুনা ষ্টিলগী ৱাল অমা শাগৎনবা দোল্লর বিলিয়ন ৫.৭ কী শেনফম দিমান্দ তৌখিবনি। তৌইগুম্বসুং হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভস কন্ট্রোল তৌরিবা দেমোক্রেটশিংনা ফন্দিং অদু শৌগৎলু হায়বা য়াখিদে।

কোংগ্রেসকী তোপ দেমোক্রেটশিংনা য়ুমশকৈশা নুমীৎকী হ্বাইট হাউসকী মীফমদুগী মতুংদা ত্রম্পবু ফেদরেল ৱার্করশিংগী অৱাবা উদে অমসুং গভর্ণমেন্ট সটদাউন মতম শাংলক্লবসু ৱারী শানরগা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনদে হায়না মরাল শিখি। ৱারী শানবা লোইশিন্দ্রিঙৈদা প্রসিদেন্টনা হৌগৎলগা মপান থোকখিবসি লাইবক থীবনি হায়না সুমরনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্টনা পোৎ অমা ফংদ্রগা অশাউবা উৎপগী থৌওং চথখি। মহাক্না স্পিকর পেলোসিদা মহাক্কী ৱালদু য়াগদ্রা হায়না হংখি। পেলোসিনা য়ারোই হায়বদা মহাক খুদক্তা হৌগৎলগা মপান থোকখি হায়না সুমরনা মখা তাখি।

হোমলেন্দ সিক্যুরিটি সেক্রেটরিনা ৱাফম অদু ফোঙদোরকখিবা মতুংদা পেলোসি অমসুং ত্রম্পকী মরক্তা মরৈ কন্না য়েৎনরকখি। ত্রম্পনা মীফমদুদগী থোকখ্রবা মতুংদা ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পোমপিওনা দেমোক্রেটশিংগী মাইকৈদগী কাউন্টর-ওফর অমা হংলদুনা মখোয়না পাম্বা অমা হায়য়ু হায়খি। অদুম ওইনমক দেমোক্রেটশিংনা হ্বাইট হাউসনা য়াগদবা অতোপ্পা ৱাফম অমত্তা ওফর তৌখিদে। সুমর অমসুং পেলোসিসু মফমদু থাদোকখি।

# ‘শেল-থুমদা চাউনা চৈথেং পীখি’

কলম্বো, জন্যুৱারি ১০ (এজেন্সি): হন্দক্তা থোকখিবা পোলিটিকেল ৱাথোক অদুনা শ্রীলঙ্কাগী ইকনমিদা চৈথেং য়াম্না চাউনা পীখি হায়রদুনা ঈথৎ লৈবাক অদুনা মীরৈবাক্কী শেনে দাল শিংদোক্লবা ৱানা হোৎনরি হায়না লৈবাক অদুগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খ্রে।

শ্রীলঙ্কাগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিনঘেনা হায়খি মদুদি, নিংথৌকাবা নুমীৎ ফাওবগী মনুংদা অহানবগী ওইনা শিংফম থোকপা দোল্লর বিলিয়ন ২.৬ কী শেনফম অসি শিংদোকপদা মতেং ওইনবা গভর্ণমেন্টনা দোল্লর বিলিয়ন ১.৯ গী শেনফম অমা শাগৎনবা হোৎনরি।

শেলগী অৱাবা মায়োক্লরিবা ঈথৎ লৈবাক অদুনা কুমজা ২০১৯ দা শিংদোক্কদবা মীরৈবাক্কী শেনে দাল অসি দোল্লর বিলিয়ন ৫.৯ নি। অসিগুম্বা ফীভম অসি লৈবাক অসিগী ওইনা রেকোর্দনি হায়রি। হৌখিবা ২০১৮ লোইশিল্লকপদা ৱিক্রেমেসিনঘেগা প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনাগী মরক্তা পৱারগীদমক্তা মুক্লখিবদা ঈথৎ লৈবাক অসিগী ফোরেন রিজার্ভস-কী শেনফম দোল্লর বিলিয়ন অমা মাঙহনখি।

# রসিয়ানা জপানবু য়ানখিবা ৱাফমশিং হোংদোকপগী মরাল শিখ্রে



মোস্কো, জন্যুৱারি ১০ (এজেন্সি): রসিয়া অমসুং জপানগী মরক্তা মতম শাংনা লৈরক্লবা লমগী য়েৎনবগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী দিল অমা য়ানবগী ফীভম লৈরে হায়বা তোকিয়োগী ৱাফম মোস্কোনা য়াখিদ্রে অমসুং জপানবু য়ানদবা ৱাফমশিং লৈহন্দনবা মোস্কোগা য়ানখিবা এগ্রীমেন্টশিং হোংদোকপগী মরাল শিখ্রে।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও লোইশিল্লমদাইদা সোভিয়েট ক্রুপশিংনা খুদুম চনখিবা ঈথৎশিংদুগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী ৱাখলগা লোয়ননা জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর শিঞ্জো অবেনা রসিয়াগা ত্রিটি অমা সাইন তৌননবা হোৎনরিবনি। থা অসিদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা ৱারী শানগদবনি। তৌইগুম্বসুং মোস্কোনদি ঈথৎশিং অদু হন্দোক্লিংবগী অপাম্বা উৎলক্ত্রি।

রসিয়ানা ঈথৎশিং অদুগী শরুক অমত্তা পীথোকপা য়াদনবগী বিল অমা শগোলশেন নুমীৎতা রসিয়ন লোমেকর অমনা পুথোকখি। রসিয়ানা সাউদর্ন কুরিলিজ হায়না খঙনবা অমসুং জপানদনা নোরদর্ন টেরিটরিজ হায়না খঙনবা ঈথৎশিং অদুগী মতাংদা রসিয়া অমসুং জপাননা চহী কয়া লিশাং শিংনা য়েৎনদুনা লাকখি।

রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশা নুমীৎকী অথেংবদা ফোঙদোকখিবদা, মোস্কোনা জপানগী এম্বেসেদর কৌখৎতুনা তোকিয়োগী কম্মেন্টশিংগী মতাংদা কমপ্লেন তৌখ্রে। কম্মেন্টশিং অদুনা রসিয়া অমসুং জপাননা নিগোসিএসনগী প্রোসেস থুজিনহন্নবগীদমক্তা পুরকখিবা এগ্রীমেন্ট কয়াগী মশক হোংদোক্লে। অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসিনা পিছ ত্রিটি পুরকপগী মতাংদা লৈরিবা প্রোব্লেম হেন্না লুশিনহল্লগনি। মরুওইনা জপাননা ঈথৎশিং অদুদা লৈরিবা রসিয়নশিংদা লমশিং অদুবু জপানদা শিন্নবগী ৱাফমদা ৱাখল তানবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পনখি। মসিগী মথক্তা ঈথৎশিংদু পায়শিনবগা মরী লৈননা মোস্কোনা কম্পেন্সেসন পীয়ু য়াদে হায়নসু কম্মেন্টশিং অদুদা পনখি হায়রি।

# অনীশুবা দোনাল্ড ত্রম্প-কিম জোং উন সম্মিট অমা পাঙথোক্কনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টনা থাজরি



সিওল, জন্যুৱারি ১০ (এজেন্সি): সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে-ইননা শগোলশেন নুমীৎতা হায়খ্রে মদুদি, য়ু এসকী মহাক্কী লেংমান্নবা দোনাল্ড ত্রম্পনা নোর্থ কোরিয়ন লিদর কিম জোং উনগা অনীশুবা সম্মিট অমা থুনা পাঙথোক্লগনি হায়না মহাক্না থাজে।

ন্যু য়রগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা মূননা হায়খি, কিমনা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা বৈজিংদা খোঙচৎ অমা চৎখিবদুনা য়ু এস-নোর্থ কোরিয়ন লিদরশিংগী অনীশুবা সম্মিট অমা শোয়দনা পাঙথোক্লগনি হায়বসি উৎখি। চ্যেরমেন কিমগী চাইনা খোঙচৎ অসি অনীশুবা নোর্থ কোরিয়া-য়ু এস সম্মিট কুইররোই হায়বগী খুদম-চাংদমনি হায়না ঐহাক্না থাজে। কোরিয়া মশেলগী দাইলোগকী প্রোসেস অমসুং য়ু এস- নোর্থ কোরিয়া ৱারী শানবদা চাইনানা পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা থৌদাং অমা লৌদুনা লাক্লি হায়না মূননা ফোঙদোকখি।

চিওংৱা দে প্রসিদেন্সিএল ওফিসতগী টেলিভাইজ প্রেস কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না প্যোংয়াংদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থাদোকপগা মরী লৈননা মশক থোকপা খোঙথাংশিং হেন্না পায়খৎনবসু তকশিনখি।

করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা মালেমগী অথিংবশিংগী ৱাফম অসি লৈখাই তাবা পাম্লবদি ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থাদোক্লবগী মশক থোকপা খোঙথাংশিং হেন্না থৌনা লৈনা লৌখৎকদবনি মরমদি মালেমগী অথিংবশিং হায়বসি নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থাদোক্লবগী প্রোসেস য়াংশিনবগী মখা পোনগনি হায়না মূননা ফোঙদোকখি। প্রোসেসতু থুজিন্নবা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনসু লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কিমনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংগা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা বৈজিংদা ৱারী শানবদা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা তরাম্না ওক্কদবা রিজল্টশিং লৈগদবা মওংদা মহাক্কী লৈবাক্না য়ু এসকী লুচিংবশিংগা অনীশুবা সম্মিট পাঙথোক্লবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা মূননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ৱারী শানবদুদা কিমনা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থাদোকপা অমসুং ৱারী শানবা অমদি তান্নবগী খুথাংদা কোরিয়ন পেনিনসুলাগী ইস্যু লৈখাই তানবগী অচেৎপা ফিরেপ মখা তানা লৌখিগনি হায়খি।

মরী লৈনবা পার্টিশিংনা নোর্থ কোরিয়াগী ইস্যুশিংবু লুনা লৌবগা লোয়ননা কোরিয়ন পেনিনসুলাগী ৱাথোক অদুগী মপুং ফাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা পুন্না হোৎনমিন্নগনি হায়না মহাক্না থাজে হায়খি।

# প্রাইম মিনিষ্টরগী ফোটো শেমদোক্লম্বা নুপা ১ জেলগী চৈরাক পীখ্রে





ধাকা, জন্যুৱারি ১০ (এজেন্সি): প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হশিনাগী ফোটোশিং শেমদোক্লগা ফেসবুক্তা থাগৎলম্বা বাংলাদেশি নুপা অমা ইন্টর্নেটকী অকনবা লোশিংগী মখাদা চহী ৭ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

নুপাদুবু ফারিবদু গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লৈবশিংবু নমথনবগী থৌওংনি হায়না ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোকখ্রে। মীশি-মীনাগী ঈরাংগা লোয়ননা পাক শন্না মী ফাবা অমসুং অরান-অহুই তৌবগী ক্লেম কয়ানা মশক থিহনখিবা হৌখিবা দিসেম্বরদা পাঙথোকখিবা লৈবাক অদুগী মীখলদা প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হশিনা অমুক হন্না মায় পাকখি। মহাকপু মখুৎতা লৈঙাক্কী পৱার লান্না শীজিন্নদুনা মরম চাদনা তৌনিংবতা তৌই হায়না মরাল শিনখি।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা মোহম্মদ মোনির কৌবা মীওই অদু য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ধাকাগী সাইবর ট্রাইব্যুনেল অমনা হশিনা অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট জিলুর রহমনগী ইমেজশিং শেমদোক শাদোক্তুনা সোসল মীদিয়াদা থাগৎলম্বগী মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি।

মীওই অসিনা মহাক্কী ফেসবুক ষ্টেটসতা শেমদোক্লগা ইমেজশিং থাগৎলমখি অমসুং ফোটো কেপসনশিংদা ফজদবা ৱাহে-ৱাতা কয়া ইরমখি হায়না প্রোসিক্যুটর নজরুল ইস্লাম শমিমনা ন্যুজ এজেন্সী অমদা হায়খি। মহাক বাংলাদেশকী ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসন টেক্নোলোজি (আই সী টি) লোজগী সেক্সন ৫৭ কী মখাদা কনভিক্ট তৌখিবনি।

শমিমনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০১৩ দা সাইবর কোর্ট মথৌ তৌবা হৌখিবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৭ হশিনা অমসুং অতৈ লিদরশিং চেন্নবা ওফেন্সশিংগা মরী লৈননা জেলগী চৈরাকশিং ফংহনখ্রে।

য়ামদ্রবদা অসিগুম্বা কেস ২০০ রোম ৱায়েলগী তোঙান তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা লৈরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। অমরোমদা, করম্না আই সী টি লোশিংবু মীওই মিলিয়ন ১৬৫ লৈবা লৈবাক অদুদা ক্রিটিকশিং নমথনবা হোৎনবদা শীজিন্নখিবগে হায়বদু রাইটগ্রুপশিংনা উৎখ্রে। হন্দকথা খরসিদা আই টি সী লোশিংবু দিজিটেল সিক্যুরিটি এক্টনা মহুৎ শিনখি। অনৌবা লো অসিনা ওথোরিটিশিংদা ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন কন্ট্রোল তৌবগী পৱার হেন্না পীখি।

